
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 172 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী নীনি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, September 23, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# রিমসতা পেসেন্ট শিবগী ৱাথোক কম্মিটি ২না থিজিল্লগনি
## উরিপোক অপূনবা লূপ ১দি নুপী লূপনা রিমসকী মথক্তা মীৎয়েং চঙলগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** রিমসতা মশাগী অহানবা অঙাং উননবগীদমক থা অসিগী ১৬তা এদমিট তৌরখিবী লিলোং চজিংদগী চীংশুবম ওংবী মঞ্জু (৩৫) কৌবী মৌনহা অমা অঙাং উনরবা মতুংদা ঈ হাথরকই হায়দুনা ওপরেশন অমুক্কা পাঙথোক্লবা মতুং ঙরাং অয়ুক অঙনবদা লৈখিদবগী ৱাথোক মপূং ফানা থিজিন্নবা ষ্টেট লেভেল ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অমসুং রিমসকী ইন্টরনেল ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অনী শেম্লে হায়না লায়েংশঙ অসিগী মীদিয়া সেলনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।




করিগুম্বা কম্মিটি অনীনা থিজিনবদা প্রোফেশনেল নেগ্লিজেন্স নৎত্রগা অহোবশিং থেংনরবদি মরী লৈনবা ডাক্তরশিংবু সস্পেন্দ তৌবা য়াওনা অকনবা এক্সনশিং লৌগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক মীয়াম্না ভেরিফাই তৌদবা তোকঙাশিং শন্দোকপীগনু অমসুং থাজবীগনু হায়রকপগা লোয়ননা দিরেক্তরগী মায়কৈদগীসু হোস্পিটালগী পোৎ চৈশিং অমাঙ অতা থোকহনবীগনু হায়না আপীল তৌরক্লি।

নাকল অমরোমদা, রিমসতা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ুক উরিপোক সোর্বোন থিঙেল পব্লিক লাইব্রেরি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা উরিপোক অপূনবা লূপ অমদি উরিপোক অপূনবা নুপী লূপকী মায়কৈদগী পাউমীশিংদা উরিপোক অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি এস দ্রুবনা হায়, এইমসকী থাক ফাওবা য়ৌহন্নবা হোৎনরিবা রিমসতা হন্দক খঙহৌদনা মীশি-মীনা খরা থোরক্তুনা ডাক্তরশিং অমদি পেসেন্ট পার্টিগী মরক্তা মিস-অন্দরষ্টেন্দিং থোরক্তুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা রিমসকী মথক্তা লূপ অনী অসিনা মীৎয়েং চঙলগনি। হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না রিমসতা চত্থরিবা লায়েংবগী মওং অসি করিনো, করি অশোয়বা লৈবগে হায়বদুসু খঙহনবা মতম ওইরে। রিমসতা ...মখা লমায় ৩ কলম ১


# মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখিবদগী য়েংথীনবগী মরূ হুন্দুনা কাং-খোং চাইহল্লে : খৃষ্টোফর তিলক

### এম পি ইলেক্সনদা মীয়াম্না কোংগ্রেসকী মীরেপ ২ থাগৎলকখিবনা বি জে পিবু ইস্কুনীংলে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে, কুমজা ২০২৭কী এসেমব্লি মীখলদা কনাদা ভোট পীগদগে হয়বদু মীয়াম্না চপ চাবা ফিরেপ লৌরম্লগনি




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** চহী খরা অসিদা মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরকখিবদগী ষ্টেট অসিবু হীরম খুদিংমক্তা শোত্থহল্লে হায়রদুনা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা য়েংথীনবগী মরূ হুন্দুনা কাং-খোং চাইবা মণিপুর ওইহল্লে হায়না এ আই সী সীগী সেক্রেটরি খৃষ্টোফর তিলকনা বি জে পিদা ওনশিন্দুনা হায়বা য়াবা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা অদুক্কী মতিক কল্লিঙৈ মতমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাকউ হায়বা য়াখিদবনা ষ্টেট অসিগী ফীভম অসি য়ৌনা শোকচিনখিবনি। হাৎন-শুনবগী ঈরাং কন্না লৈরিঙৈগী চৈরক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাকপগী মহুত্তা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কোয়দুনা লৈবনা বি জে পি লৈঙাক্না মণিপুরবু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মুইভাগী উখ্রুল-সোমদল খোঙচৎ

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):**



নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা এন এস সী এন-আই এমগী অটো কিলোন্সর ওইদুনা মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরক্লিবা থুইঙালেং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দল্লিয়ু ৱাই ১,২০,০০০ ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):**

সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী সিতা-তেংনৌপল লম্বীদা ওপরেশন চত্থবদা শকখঙদবা মীওই অমনা সিক্যুরিটি উবদগী হুন্দোক্লম্বা কেনবো বাইক অমদগী কিলোগ্রাম ১৩ রোম লূম্বা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১,২০,০০০ ফারে হায়রি।

## ওটো দ্রাইভর ফূবদা চেন্নবা ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):**

থা অসিগী ১৭কী নুমিদাংদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মোটবুংগী প্রসিদেন্সিএল কোলেজ মনাক্তা কামজোংদগী লাক্লগা কংলাতোংবীদা লৈরবা কিংসন কসুং কৌবা ওটো দ্রাইভর অমা ফূবদা চেন্নবা মোটবুংগী কে ফোইপি খুলদগী এস লৌভুম (২৯) কৌবা নহা অমা কাংপোকপী পুলিসনা ফারে। মহাক কোর্টতা পুথোল্লবা মতুংদা নুমিৎ মরিনিগী পুলিস কষ্টদি লৌরে হায়রি।

## য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):**

ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা উখোংশাং ময়ায় লৈকায়দগী ময়াংলম্বম কিরন এলিয়জ শান্তি এলিয়জ বোইপু (৪৭) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী লেফটিনেন্টনি হায়বা মীওই অমা ময়ূমদগী ফারে হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## এন এস সী এন-কেদা অথিংবা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):** মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ঙসিদগী হৌরদুনা এন এস সী এন-খপ্লাং য়াওনা লালহৌলূপ অসিগী ফেক্সন পূম্নমক অমসুং ৱিং অমদি ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংবু লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি অমসুং ইন্টিগ্রিটিগী মায়োক্তা প্রি-জুদিশল এক্টিভিটিশিং চথৈ হায়বগী মরালদা চহী মঙাগী ওইনা অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

## চৈরমদা লেপ্লম্বা কোটু হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):**

থা অসিগী ১৯দা নম্বোল শাবল লৈকায় মপাদা শকখঙদবশিংনা ৩৩-এ আরগী গাড়ী অমদা এম্বুশ তৌদুনা পর্সনেল অনী হাৎখিবা অদুগা অতোপ্পা মঙানা শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না চপ চাবা থবক লৌখৎতে হায়রদুনা কাংপোকপীদা বেজ তৌবা কোটুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## চহী ২০গী নুপামচা ১ শিরম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):**

ককচীং পি এসনা কোল্লিবা বেসিক গ্রাউন্দগী ফেন্সিং ৱাল মনাক্তা খুদৈনা থৌরী য়ানবগী মওংদা মশাগী চহী ২০ লোমদা শুরিবা নহা অমা শিরগা লৈরম্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# বি জে পিনা কোংগ্রেস কিরিবসিবু করিগীনো : ইবোবী

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়াবু মনীং তম্নবা হোৎনরকখিবা অমসুং নীংতম্লবা মতুং ঙসিগী ওইরিবা মোদর্ন ইন্দিয়াঅসি ওইরক্নবা হোৎনরকখিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংবু বি জে পিনা খঙলিব্রা, খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদ্রিবরা হায়রদুনা বি জে পিগীদি কোংগ্রেস চৈরগা লোইরে হায়গুম্না লৈরিবসিবু বি জে পিনা কোংগ্রেসপু অসুক য়াম্না কিরিবা করিগীনো হায়না চীফ মিনিষ্টর অহুম্নক ওইরম্লবা মতুং হৌজিক্তা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওইরিবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি মণিপুরদা লাকখিবা এ আই সী সীগী সেক্রেটরি (মণিপুর ইন-চার্জ) খৃষ্টোফর তিলকনা ষ্টেট অসিদসু রাহুল গান্ধীনা হৌদোকখিবা 'ভোট চোর গাডি শোর' গী সিগ্নেচর কেম্প্যেন হৌদোক্লদুনা হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ও ইবোবীনা হায়, লৈবাক শিনবা থুংনা কোংগ্রেসনা চত্থরক্লিবা ভোট চোর গাডি শোরগী সিগ্নেচর কেম্প্যেন অসি হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনসু ঙসিদগী মফম অসিদা হৌদোক্লে। বি জে পিনা করি অরানবা তৌখ্রবগে হংলদুনা কোংগ্রেস লুচিংবা লোক সভাগী ওপোজিশন লিদর রাহুল গান্ধীনা অশোয়বা অরানবশিং পুথোরক্লগনি হায়বগী পাউ খঙলব্রা খঙদ্রে হায়খি।

লৈবাক অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১


# থৌবালদা বি এস সী নর্সিং কোলেজ ১, চূড়াচান্দপুরদা ২ হাংদোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** গভর্ণর এ কে ভল্লানা চ্যের লৌদুনা ঙসি রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলগী মীফম্না তোঙান তোঙানবা এজেন্দা



দাশিং পুথোক্তুনা খন্নখিবগা লোয়ননা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা থৌবালদা বি এস সী নর্সিং কোলেজ অমা হাংদোকপগা লোয়ননা চূড়াচান্দপুরদনা নর্সিং কোলেজ অনী হাংদোকপদা অয়াবা পীরে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা নীংথিজনা লৈবাক ঙাকপা ঙমজদ্রে : ডা. লোকেন

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** ঐখোয়গী পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা লৈবাক অসি নীংথিজনা ঙাকপা ঙমজদ্রে। লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা ঐখোয়গী হান্নদগী লৈজরক্লিবা মীয়ামগী পূন্সি, লন-থুম, নাৎ অমদি কলচরনচিংবশিং অসি নীংথিজনা ঙাকচবা ঙমদ্রে। মসিগী খুদম ওইনা হৌজিক চহী ২গা থা ৪ ফারক্লবা ঈরাং



অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি হায়না শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি শগোলবন্দগী ৱার্কিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# পোইরৌ পাৎ লৌফমগী লৌ পরি ১৮০০ রোম ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে

### লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি বন্দ/ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লগনি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪দা খঙহৌদনা থৌবাল তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকখিবনা মরম ওইরদুনা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা পোইরৌ পাৎকী লৌফম কয়া ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে।

ঈশিং থুমজিনখ্রবা লৌফমশিংগী লৌপুশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# এল দি এ ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীননবা হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীরবসু কোসেমনা কেন্দিদেট ১বু শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা থম্লব্রা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন হায়বসি লেজিসলেচর, জুদিসিয়ারি অমসুং এগজিক্যুটিভ হায়রিবা অহুম অসিনা ফুঙ্গা নুঙদুম শারগা মসিগী মথক্তা অহুম অসিগী মরক্তা অমগা অমগা কো-ওর্দিনেশন পীনরগা চত্থরকপা থৌওংশিংসু লৈঙাক্লোন মখল অসিগী শক্তমনি হায়রগসু পীল্লবা মণিপুরদদি মরী লৈনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীরক্লবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তবদগী 'কন্টেম্পট পিটিশন' ফাইল তৌনরকপা খক্তা নত্তনা থাক অসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা ওৎলৈ-পাৎলৈ তৌদুনা লৈরকপগী চৎনবীশিং হকথেংনরক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মনুং চনবা য়াবা থৌদোক অমা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (কোসেম)দা থোক্লম্লে।

পাউচে অসিনা মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশন অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চত্থিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউশিংনা হায়বদা ঙসিদগী চহী ৪ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০২১গী মার্চ ৮দা কোসেমনা লৱর দিভিজন এসিষ্টেন্ট (এল দি এ) য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিগী পোষ্টশিং দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্লবা এদভর্টিজমেন্ট নোটিফিকেশন অমা থোকখি।

নোটিফিকেশন অসিগী মতুংইন্না ঙাংবম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ডাক্তরশিং 'সেফ এনভাইরনমেন্ট' অমদা লৈবা ঙমদ্রে রিমসকী ডাক্তর ফূরম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং অয়ুক অঙনবদা রিমসতা অঙাং উন্নখিবী লিলোং চজিংদগী মঞ্জু কৌবী মৌনহা অমা লৈখিদবা থৌদোক্তগী খোইশাওনরবশিংনা ফূবদা রিমসকী সিনিয়র ডাক্তর অমা ফীভম লুনা শোক্তুনা লায়কন্নখিবা অমসুং লায়েংশঙ অসিগী পোৎ চৈ খরা অমাঙ অতা থোকহনখিবগী মায়োক্তা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী তোঙান তোঙানবা এসোসিএশনশিংনা অয়ুক পুং ১১দগী ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে। খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা রিমসকী টিচর অমসুং মেদিকেল ওফিসর এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ডা. জিতেননা হায়, মীয়ামগী পূন্সি কন্নবগীদমক লৈরিবা ডাক্তরশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা তঙাইফদে। ...মখা লমায় ৮ কলম ৫

# রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী কিদনিগী অনাবা মায়োক্লরকখিবা ইচানুপা লায়েংবীবা নংহৌদবদগী খাঙুথক্তা মপূন্সি লোমখ্রে



**(ঙরাংগী মখা...)**

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়দা নুমিৎ খুদিংগী পারগা নুমিৎ ১৫/১৫নিদা পূন্না অমুক অমুক পীরক্লিবা শেনফম অসিনা চানীং-থক্লিংবা কয়া চাথোক্তুনা লৈখিদ্রবা ইচাবু লায়েংদুনা ফহন্নবা কন্না হোৎনজরকখিবনি অদুবু পাম্বে লৈজদ্রবা মীওইবা অমা ওইনা রিলিফ কেম্প অসিদা য়ূম-কৈসু লৈজদবদগী শৈদাংদুনা লৈরকপনিনা শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরক্লে। মরম অসিনা শেলসু অমত্তা থোক্ত্রে।

লৈখিদ্রবা ইচানুপা য়াইমনা নাদুনা লৈবনিনা অতোপ্পা ইচাশিংসু চৎথোকপা ঙমদ্রে। ইচানা হিংলিঙৈদা দাইলাইসিস তৌনবগীদমক চয়োল অমদা ২/৩ লক ডাক্তরগী এপোইন্টমেন্ট লৌদুনা কোইচেন চেন্দুনা হোৎনবদা অতোপ্পা থবক মায়পুনবা ফংখিদে। মসিগী মথক্তা ওটোরিক্সো রিজার্ভ তৌদুনা অনাবা পুনবা হোৎনবদা লুপা লিশীংগী মথক্তা চঙবনিনা লৈখিদ্রবা ইচাগী অনাবা লায়েংনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লখি।

নীংথৌজম ওংবী গোমতিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লান হৌরকখিবা মে ৩, ২০২৩গী নুমিৎ অদু ঐহাক্তি য়ূমদা নুংথিল তাল্লক ওইবনিনা ঙাইহাক ফমুংদা হিপ্পুনা লৈরম্বনি অদুবু মঙ ওই-হা ওই ইম্ফালদা লৈখিবা ইচানুপা জে ।তিননা ঈরাং থোক্লে, পোৎ চৈ য়োমশিল্লো হায়দুনা কোইরাও লাউরকপা তারকপদগী খংপ্রেক খংদুনা ফমুংদগী হৌগৎলকখি। ইচানুপা য়াইমনা চূড়াচান্দপুরদা কুকি লমহেনবশিংনা মীতৈশিংগী য়ূম কৈ মৈ থারে, দুকান্নচিংবা য়ানখাইরে হায়দুনা টেলিফোনদা থারকপা ভিদিও উৎলকখি। অদুবু ঐখোয়দি করিসু থোইদোকপা তৌরোই হায়দুনা ইচম চম্না লৈথোকখি। খঙহৌদনা নুংথিলগী পুং ৪ রোম তারকপা অদুৱাইদগী ঐখোয়না লৈরিবা মোরেদসু কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা মীতৈশিংদা লান্দাবা হৌরকখি। মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থাবদা নত্তনা মোরে কৈথেলগী শঙশিংসু মৈ থাবা হৌরকখি। থৌদোকশিং অসিদগী মোরে কৈথেল অমদি অকোয়বদা লৈবা মীতৈশিং খা-রাই খঙদনা কোইচেন চেন্নখি।

মোরেদা নুমিৎ অদুগী নুংথিলদা কুকিশিংনা হৌরকখিবা ঈরাং অদুদা মখোয়না 'মীতৈ হাৎলো, মীতৈ হাৎলো' হায়দুনা কোইরাও লাউদুনা লাকখি। মখোয়গী থৌওং অদুদা মশীং য়ামজদ্রবা মোরেগী মীতৈশিংদি মতিক চাবা খূৎলায়সু পায়দবনিনা করি তৌগদবনো খঙখিদে। ফুম্বংননা লৈনখি। (মথং-মথং)

# 'আই এম' না মীহাৎ থীনা হাৎখিবা অথুৱান অবোনমাইগী ৪শুবা লৈখিদবগী কুমওন পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৪গী মমাঙ কুমজা ২০২১গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিংনা তমেংলোং পব্লিক গ্রাউন্দ মনাক্তগী নুংথিল পোবোপতা নমদুনা ফারগা পুখ্রবা মতুংদা নুঙথংনা থোম্বা য়াওনা তমথীবা মওংদা হাৎখিবা জেলিয়াংরোং বাওদি (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ) গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অথুৱান অবোনমাই লৈখিদবগী ৪রক শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি থাংমৈবন্দগী তরুংদা লৈবা গ্রেশ কোলোনিদা লৈবা মহাক্কী মেমোরিএল পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা জেলিয়াংরোং সিভিল ওর্গনাইজেশনশিংগী লুচিংবশিং, পার্ক কম্মিটিগী মেম্বরশিং, লৈখিদ্রবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭